# ওইল পম্পশিং সরপ্রাইজ চেক তৌখ্রে

## কৃষ্ণপ্রেমি ওইল পম্প পেত্রোলদা চাওনা পোৎয়ান তৌরম্বদগী থিংজিনখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, মে ২২ঃ* মণিপুর সরকারগী কঞ্জুমর এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন (সি এ এফ এন্দ পি দি) গী নৌনা মিনিষ্টর ওইরবা মোইরাংথেম ওকেনগী ইন্সত্রক্সন মখাদা দিপার্টমেন্টঅসিগী দাইরেক্টর মুতুম য়াইস্কুলনা ঙসি ইম্ফাল মনুংগী ওইল পম্পশিং ক্বান্টিটি অমদি ক্বালিটি শুবরা হায়বগী চেক তৌখ্রে। মোইরাংখোমগী কৃষ্ণপ্রেমি ওইল পম্পতা পেত্রোল (নোর্মেল) অমদি এক্সত্রাপ্রেমিয়ম পেত্রোলদা দেন্সিটিদা চাওনা অহোংবা লৈদুনা পোৎয়ান তৌরম্বা থেংনবদগী মিনিষ্টর ওকেনগী ইন্সত্রক্সন মতুংইন্না দাইরেক্টরনা কৃষ্ণপ্রেমি ওইল পম্প সিজ তৌদুনা থিংজিনখ্রে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী সি এ এফ এন্দ পি দিগী দাইরেক্টর য়াইস্কুলনা ইন্দিয়ান ওইল কোর্পরেসন (আই ও সি) লিমিটেদ ইম্ফালগী রিটেল সেলস ইম্ফালগী এসিস্টেন্ট মেনেজর টি ধরমভির সিংহ অমসুং আই ও সি ইম্ফালগী দিপ্যুটি মেনেজর এম খাইথাওচুং য়াওনা ইম্ফাল মনুংগী ওইল পম্প খরদা সরপ্রাইজ ভিজিট চৎতুনা পম্পশিংগী থাওশিং অশেংবা অফবা ওইবরা নত্রগা পোৎয়ান তৌবরা হায়বগী দেন্সিটি ওন্দুনা য়েংবগা লোয়ননা পীরিবা থাওগী ক্বান্টিটি চাং শুনা পীবরা হায়বগী চেক তৌখি।

সরপ্রাইজ ভিজিট ওইনা চৎখিবা সি এ এফ এন্দ পি দি গী দাইরেক্টর য়াইস্কুল অমদি আই ও সিগী টিমগী খোঙচৎ অসিদা ইম্ফালগী মোইরাংখোমদা লৈবা কৃষ্ণপ্রেমি ওইল পম্পতা য়াম্না চাওনা পোৎয়ান তৌরম্বা থেংনখি।

দেন্সিটি চেক তৌনবা খুৎলাই শিজিন্নদুনা ওনবদা কৃষ্ণপ্রেমি ওইল পম্পকী ওইনা লৈফম থোকপা দেন্সিটিদগী য়াম্না ৱাংনা অচৌবা অহোংবা লৈরম্বা থেংনখি।

আই ও সিগী রিটেল সেলসকী এসিস্টেন্ট মেনেজর টি ধরমভির মশামক্তা দেন্সিটি ওন্নবা খুৎলাই শিজিন্নদুনা ওনবদা কৃষ্ণপ্রেমি ওইল পম্পকী পেত্রোল থাওগী টেম্পরেচর অসি সেলসিয়স দিগ্রি ৩১ অমসুং দেন্সিটি ৭৫০ কে জি/ ক্যুবিক মিটর লৈরম্বা থেংনখি।

দেন্সিটি অসি সেলসিয়স দিগ্রি ১৫ দা ওন্থোকপদা ৭৬৪.১ কেজি/ ক্যুবিক মিটর ফংখি। থা অসিগী ১৮ দা আই ও সি দগী চলান কত্নুনা পম্পতা থাও থাবদা দেন্সিটি ৭৫৩.৪ কে জি/ ক্যুবিক মিটর ওইখি। ঙসি ফংলিবা দেন্সিটিগা চলানদা ইবা দেন্সিটিগা চাংদম্নদুনা য়েংবদা ১০.৭ কে জি/ ক্যুবিক মিটরগী চাং খেন্নরমখি।

আই ও সিগী এসিস্টেন্ট মেনেজর টি ধরমভিরনা ফোংদোকখিবদা অফবা অশেংবা পেত্রোল থাওগী দেন্সিটি অসি জিরো কে জি/ ক্যুবিক মিটর ওইগদবনি। অদুবু মদুমক পেত্রোল অয়াম্বা ওইবা ঙমদে। প্লস/ মাইনসতা ৩ কে জি/ ক্যুবিক মিটরগী চাংদা চৎনবা য়াবা অফবা পেত্রোল খুদিংমক্তা খেৎনবা য়াই। অদুবু কৃষ্ণপ্রেমি ওইল পম্পকী ওইনদি পেত্রোলদা য়াম্না চাওনা দেন্সিটিদা খেৎনবা লৈরে হায়খি।

ওইল পম্প অসিগী এক্সত্রাপ্রেমিয়ম পেত্রোলদসু দেন্সিটি চেক তৌবদা টেম্পরেচরদা ৩০ দিগ্রি সেলসিয়স অমদি সেলসিয়স দিগ্রি ১৫ দা ওনবদা দেন্সিটি অসি ৭৬০.২ কে জি/ক্যুবিক মিটরদা লৈরমখি। চলানদা লৈবা দেন্সিটিনা ৭৫৬.৮ কে জি/ক্যুবিক মিটর ওইখি। দেন্সিটি অনিগী খেৎনবা অসি ৩.৪ কে জি/ ক্যুমিক মিটর ওইখি।

ধরমভিরনা মখাতানা ফোংদোরকখিবদা পোৎয়ান য়াওদবা অফবা পেত্রোল থাওগী দেন্সিটি অসি ৭০০ দগী ৮০০ কে জি/ক্যুবিক মিটরগী মনুংদা চনগনি। অদুগা দিজলদনা ৮০০ দগী ৯০০ কেজি/ক্যুবিক মিটরগী মনুংদা চনগদবনি হায়খি।

কৃষ্ণপ্রেমি ওইল পম্পকী ওইনা চলানদা ইমা পেত্রোলগী দেন্সিটিগা ঙসি ওনবদা লৈরম্বা পেত্রোলগী দেন্সিটিগা হায়নিংঙাই লৈতনা খেন্নবা থেংনরিবা অসি পেত্রোলদা য়াম্না চাওনা পোৎয়ান তৌরে হায়বনি। ওর্দিনরি পেত্রোল নত্তবা এক্সত্রাপ্রেমিয়ম পেত্রোলদা ফাওবা পোৎয়ান তৌবা থেংনরবনিনা পম্প অসি খুদক্তা থিংজিল্লে হায়না দাইরেক্টর য়াইস্কুলনা থিংজিনখি।

আই ও সিগী মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা পম্প অদু সিল্ড তৌদুনা পম্পতা লৈবা থাওগী চাং রেকোর্দ তৌদুনা থিংজিনখি।

কৃষ্ণপ্রেমি ওইল পম্পকী পেত্রোল সেক্সন অদু থিংজিনবগা লোয়ননা দাইরেক্টরনা ফোঙদোরকখিবদা মীয়ামদা নমথাক তৌদুনা পোৎয়ান তৌবা থাও পম্পশিংনা য়োনবা য়ারোই। মিনিষ্টর ওকেনগী ইন্সত্রক্সন মখাদা মণিপুরদা লৈবা ওইল পম্পশিং য়াম্না তোয়না মরক মরক্তা চেক তৌগনি। সরপ্রাইজ ভিজিট লাক্তুনা চেক তৌবদা পোৎয়ান তৌরম্বা অমদি লিটর ফাদনা ক্বান্টিটি শুদনা থাও পীরম্বা ওইল পম্পশিং লেম্না থারোই হায়খি।

কৃষ্ণপ্রেমি ওইল পম্পকী ওইনা দিজলগী দেন্সিটিগী চলানদা লৈবা রেকোর্দকা ঙসি টেষ্ট তৌবদা লৈরম্বা রেকোর্দকা ১.৮ কেজি/ ক্যুবিক মিটর খেৎনরমখি। মসি চৎনবা য়াবা খেন্নবা ওইবনা দিজলগী ওইনদি পম্প অসিদা অথিংবা লৈতে। দিজলগী ওইনা হান্নগুম অদুম্মক হাংনবা খঙহল্লমখি।

কৃষ্ণপ্রেমি ওইল পম্পকী পেত্রোলগী ক্বান্টিটি অসি ৱেট এন্দ মিজরনা পীবা লিটর ৫ চনবা পাত্রদা ওন্দুনা য়েংবদা পম্পকী মিটরদা ৫.০৫ লৈখি। এক্সত্রা প্রেমিয়ম পেত্রোলগী ওইনা ওন্দুনা য়েংবদা ৫.১৩ লৈরমখি। পেত্রোলগী ওইনদি কষ্টমরশিংদা লিটর ৫ দা পোইন্ট ০৫ কী চাংদমক ৱাৎনা পীরবসু এক্সত্রা প্রেমিয়মদা লিটর ৫ দা পোইন্ট ১৩ (এম এল) ৱাৎনা কষ্টমরশিংদা পীরমখি।

আই ও সিগী ওইনা লিটর ৫ দা য়াল্লবদা পোইন্ট এম এল ১৫ ৱাৎলবসু অয়াবা পীরবসু পোইন্ট ১৩ অসি অয়াম্বা শরুক ওইবনা ৱেট এন্দ মিজর দিপার্টমেন্ট রি-করেক্সন তৌহল্লগনি হায়না দাইরেক্টর য়াইস্কুলনা ফোংদোকখি।

ওইল পম্প কয়াদা অনৌবা মখলগী থাও কাপ্পবা মতমগা চুন্নবা ক্বান্টিটি শুবা মেছিনশিংনা হান্না লৈরম্বা অরিবা থাও কাপ্পবা মেছিনগী মহুৎ শিন্নবা য়াইস্কুলনা আই ও সিগী কাংবুদা খঙহনখি।

ইম্ফাল নোংমৈবুংদা লৈবা কুশুম সার্ভিস ষ্টেসন, নিউ চেক্কোন হট্টা মিনুথোং মনাক্তা লৈবা টক্স এন্দ বোন্দ ওইল পম্প অমদি শিংজমৈদা লৈবা ইমো ফিল্লিংদসু সরপ্রাইজ ভিজিট চৎতুনা ক্বান্টিটি অমদি ক্বালিটি শুবরা হায়বগী চেক তৌখি। পম্পশিং অসিদা পোৎয়ান তৌবগী খুদম অমত্তা ফংখিদে। ক্বান্টিটি অমদি ক্বালিটি শুনা লৈরমখি। দেন্সিটিশিং আই ও সিনা পীবা চৎনবা য়াবা চাংদা লৈরমখি।

চহি খরগী মমাংদা হান্না লৈরম্বা প্রোপ্রাইটরগী মতমদা পোৎয়ান তৌবগী রেকোর্দ লৈদুনা মতম খরা থিংজিল্লুরবা নোংমৈবুংগী কুসুম ওইল পম্প অসি ক্বালিটি নিংথিনা কন্ত্রোল তৌবা পোৎয়ান অমত্তা য়াওদবা অফবা থাও ওইরম্বগীদমক আই ও সিগী টিমনা থাগৎলমখি। পম্প অসিগী প্রোপ্রাইটরনসু পম্প অসিগী থাও অসি খ্বাইদগী অফবা কষ্টমরনা পাম্বা থাও ওইহনগনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।